# পার্লিয়ামেন্টতা মার্চ ১১দা দিল্লি হিংশা খন্নগনি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

পার্লিয়ামেন্টনা হোলিগী নোংঙানবা মার্চ ১১দা হৌখিবা চয়োলদা থোকখিবা দিল্লি হিংশা খন্নগনি অমসুং মদুদা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা পাউখুম পীগনি হায়বশিং অসি অরেপ্পা ওইনা লেপ্লখ্রে।

অৱাং নোংপোক দিল্লিদা হিংশা থোকখিবা অমসুং মীওই ৫৩ শিখিবা অদুগী মতাংদা দিবেট অমা তৌননবা ওপোজিসননা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা লোক সভাদা চরাংনবা অমসুং অপনবা থোকহনবগীদমক স্পিকর ওম বিরলানা কোংগ্রেস এম পি ৭পু বজেট সেসন অসিগী অরোইবা নুমিৎ এপ্রিল ৩ফাওবা সস্পেন্দ তৌখিবা অদুগী নোংঙানবদা পাউ অসি লাকখিবনি।

অসিগুম্বা খন্নবা অমগী মতম চাদ্রি হায়না স্পিকর ওম বিরলানা মরৈ য়েৎপগা লোয়ননা ৱাথোক অদুগী মতাংদা দিবেট অমা তৌনবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা হান্নদি য়ান্নিংদবা ফোংদোক্তুনা লাকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা ৱাথোক অসিগী মতাংদগী চরাংনরদুনা হন্ন–হন্না এদজোর্নমেন্টশিং তৌহনখি অমসুং বজেট সেসনগী অনীশুবা তঙ্খাই অসিগীদমক পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমুক হৌবা মতমদগী অতৈ ব্যুজিনেস পায়খৎনবগী মতম থোইনা ফংহনখিদে।

ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা হোলিগী মতুং ফাওবা খন্নবা য়ৈথোক্লবা লোক সভা স্পিকরগী ৱারেপ অদুনা মেম্বরশিংবু শাওহনখি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী খরনা চিয়ারদা চে মতুমশিং অমসুং চেজাইশিং লংশিনখি।

ওপোজিসন মেম্বর খরনা দিল্লি হিংশাগী মতাংদা য়ানীংদবা ফোংদোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ ফম থাদোকউ হায়না থাবা পোষ্টরশিং ফাওবা পায়খি।

কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি এম পিশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা য়াওরকখিবদগী লোক সভাদা ফিভম হেন্না লুশিল্লকখি। রাজ্য সভাদসু ওপোজিসনগী লিদর ওইরিবা কোংগ্রেসকী গুলাম নবি অজাদনা হিংশানা দিল্লিবু য়োমশিনখিবা মতমদা সেন্টরনা তুমিন্না লৈখি হায়বগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট কয়ামরুম থাঙ্গৎখি।

মদুদা হিরম অদু চপ চানা মরু ওই অমসুং খন্নফম থোকই অমসুং মদুগী মতাংদা খন্নবা অমা পাংথোক্লবগীদমক মহাক্না মতম পীগনি হায়না রাজ্য সভা চিয়ারমেন ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি।

মরকসিদা মখোয়গী ৱাঙাংশিংনা হিংশা থোক্লবা ইনশিল্লি হায়বা বি জে পি লুচিংবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা দিমান্দ তৌবা খরা য়াওনা হিংশা অদুগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকখিবা পেটিসন কয়া ঙসি দিল্লি হায় কোর্টনা হিয়ারিং তৌখি।

হিরম অদুগী মতাংদা হায় কোর্টকী শাংনা এদজোর্নমেন্ট তৌবগী মতাংদা য়ানীংদবা ফোংদোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টনা যুমশকৈশা নুমিৎতা হিয়ারিং অদু পাংথোক্লবা ওর্দর তৌখিবনি।

কপিল মিশ্রা, পরভেস বর্মা, অনুরাগ ঠাকুর অমসুং অভয় বর্মা হায়বা বি জে পি লুচিংবশিংনা ঙাংখিবা কাঙলূপ মশেন য়েংথিনবগী হূ শন্দোকপা ৱাঙাংশিংনা নুমিৎ ৪নিগী হাৎন–শুনবগী ঈরাং অদু থোকহন্নবগী মরুওইবা মরম অমনি হায়না খন্নখিবনি।

# বিমল জুলকা সি আই সি হাপখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

রাষ্ট্রপতি ভৱনগী চেরাল অমগী মতুং ইন্না ইনফের্মেসন কমিস্নার বিমল জুলকাবু চীফ ইনফোর্মেসন কমিস্নার (সি আই সি) ওইনা ঙসি হাকপখ্রে।

রাষ্ট্রপতি ভৱনদা পাংথোপা থৌরম অমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কমিসনগী সি আই সি ওইনা মিষ্টর জুলকাদা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌখি।

সুধির ভরগবানা জনুৱারি ১১দা রিটয়ার তৌখিবদগী ট্রান্সপরেন্সি ৱাটচদাগ অসি চীফ অমা য়াওদনা থবক তৌরকখি, সি আই সি য়াওনা পুন্না ইনফোর্মেসন কমিস্নার ১১ লৈগদবদা ৬ খক্তনা থবক তৌরকখি। মিষ্টর জুলকাবু সি আই সি হাপখ্রবা তুংদা কমিসন অসিদা ইফোর্মেসন কমিস্নার ৫ গী ফম হাংহৌরি।

# দিল্লি হিংশাদা শিখিবা মীওইগী ওটোপসিশিং ভিদিওগ্রাফ লৌনবা হোস্পিটালশিংদা খঙহনখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

হৌখিবা চয়োলদা অৱাং নোংপোক দিল্লিদা কাঙলুপকী হিংশাদা শিখিবশিং অদুগী পোষ্টমোর্টেমশিং ভিদিওগ্রাফ লৌনবা হায় কোর্টনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা হোস্পিটাল পূন্নমক্তা খঙহনখ্রে।

জষ্টিসশিং সিদ্দার্থ মৃদুল অমসুং আই এস মেহতাগী বেঞ্চ অমনা যুমশকৈশা, মথংগী হিয়ারিংগী নুমিৎ অদু ফাওবা হকচাং পূন্নমক অদুগী দি এন এ সেম্পলশিং প্রিজার্ব তৌনবা অমসুং মশক খঙদবা হকচাং অমত্তা দিসপোজ তৌদনবা ওথোরিটিজদা পাউতাক পীখি।

শেমদোক্লবা সিটিজন্সিপ লো অদুগী মতাংদা থোকখিবা হিংশাশিংদা থিবা খঙখিদবা মাগী মশেনুপা মফম কদায়দা লৈ হায়বদু খঙহন্নবা নুপা অমনা থাঙ্গৎলকখিবা হেবিজ কোরপস অমগী হিয়ারিংদা পাউতাক অসি পীখিবনি।

হিয়ারিং অদুদা পুলিসনা কোর্ট অদুদা মাঙখিবা মীওই, হামজাগী হকচাং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা গোকুলপুরিগী নল্লা অমদগী ফংলে অমসুং আর এম এল হোস্পিটালদা মহাক্কী পোষ্টমোর্টেম পাংথোক্লগনি হায়না পাউদমখিবনি।

# লোক সভাদগী কোংগ্রেস এম পি ৭কী সস্পেন্সনগী মায়োক্তা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

লোক সভাদগী কোংগ্রেস এম পি ৭ সস্পেন্দ তৌরকখিবা অদুগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্টকী প্রিমাইজেস মনুংদা ঙসি ইরাই নুমিৎতা সেনিয়ার কোংগ্রেস লীদরশিংগী প্রোটেষ্ট অমা রাহুল গান্ধীনা লুচিংখ্রে।

কোংগ্রেস মেম্বর ৭ অদুবু মখোয়না স্পিকরগী টেবলদগী চে–চাংশিং মুন্দুনা হাউস রুলশিং শাথিনা ঈকাইখুন্নদবা অমসুং মথোঙ ওক্তবা লিচৎ অদুগীদমক বজেট সেসন অদুগী লেমহৌরিবা শরুক অদুগীদমক লোক সভানা মখোয় ৭ অদুবু ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতগী সস্পেন্দ তৌখিবনি।

এদজোর্নমেন্ট অমগী মতুংদা নুংথিল পুং ৩দা লোক সভা মীফম অমুক হৌরকখিবগা থুনমক হাউস অদুবু প্রিসাইদ তৌরিবা মিনাক্সি লেখিনা গৌরব গোগোই, টি এন প্রথাপন, দিন কুরিয়াকোসে, মনিক্কা তেগোর, রাজমোহন উন্নিথান, বেন্নি বেহনান অমসুং গুরজিৎ সিংহ ঔজলাগী মমিং পল্লদুনা মখোয় পার্লিয়ামেন্ট মীফম অসিগী লেমহৌরিবা মতম অদু ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়না ওর্দর তৌখি।

পার্লিয়ামেন্টকী প্রিমাইজেস মনুংদা লৈরিবা গান্ধী মিতম অদুগী মমাঙদা খুদাংদা অমুবা পুনবা গোগোই অমসুং হান্নগী যুনিয়ন মিনিষ্টর শাশি থারুর য়াওনা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা প্রোটেষ্ট অমা চথখি অমসুং অচৌবা অরিবা পার্টি অসিবু কিহন্নবা মেম্বরশিং অদুবু হাউসতগী সস্পেন্দ তৌরকখিবনি হায়না মরান শীখি।

অদুবু ঐখোয়না মদুদা কিগদবা লৈতে। দিল্লিগী হিংশা অদুগী মতাংদা খন্নবা অমা পাংথোক্কবা দিমান্দ তৌবদা ঐখোয় কীরোই, ঐখোয়না ৱাথোক অদু লেপ্তনা মখা তানা পুখৎখিগনি হায়না মিষ্টর গোগোইনা হায়খি।

কোংগ্রেস লুচিংবশিং অদুনা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ ফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌবা খোল্লাওশিংসু লাওখি।

# ইন্টরনেসনেল ৱিমেন্স ডে ২০২০, পুক্নিং–ঈথিল পীবা ৱাহৈ খরা




*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ঙসি মার্চ ৮দা ইন্টরনেসনেল ৱিমেন'স ডে থৌরমশিং পাংথোক্লি।

নুমিৎ অসি, মখোয়গী লৈবাকশিং অমসুং কম্ম্যুনিটিশিংগী ইতিহাসতা থোইদোক–হেন্দোক্লা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাংশিং লৌখিবী নুপীশিংগী থৌনা অমসুং পুন্সিগী ফিরেপ অদু পাংথোক্লবা, অমসুং অহোংবা অমা পুরক্লবা অমসুং থবকশিং অদুনা পুরকখিবা চাওখৎপা অমসুং খূৎমাঙ চাওশিনব অদুগী মতাংদা নীংশিংবা নুমিৎ অমনি।

ইন্টরনেসনেল ৱিমেন'স ডেগীদমক যুনাইটেদ নেসন্সনা থল্লিবা চহীসিগী থিম দি *'আই এম জেনরেসন ইক্কেলিটি ঃ রিয়েলাইজিং ৱিমেনস রাইটস'* অসিনি।

জেন্দর–ইঙ্কুসিপ লেংগ্বেজ অসি জেন্দর ইক্কেলিটি য়োকখৎনবা শক্তি লৈরবা লম্বী অমনি, মরম অদুনা নুপা–নুপী খেন্নহনবগী মহৌশাগী ৱাখল্লোন অদু থিংবতা নত্তনা নখোয়গী পুন্সিদা নুপীশিংবু শোয়দনমক থৌনা–ঈথিল পীগদবা ৱাহনথোক লৈরবা ৱারোলশিংগী লিষ্ট অমা ঐখোয়না শেল্লি।

যু এস মেদিয়া একজিক্যুটিব অমসুং টোক সো হোষ্ট ওপ্রাহ ৱিনফ্রেনা হায়– ঐখোয় পূন্নমক্না তৌগদবা থৌনা লৈবা অচৌবা থবক অদুদি ঐখোয়না ঐখোয়গী মঙজরিবা মাঙলানশিং অদুদা হিংবা ঙন্নবা ঐখোয়গী ইতিহাসতগী খোঙ থাংদোক্লক্লবগী অমসুং মদু লাম্থোক্লবগী থৌনা অদু লৈবনি।

ওলিম্পিক বোক্সর অমসুং তরুকলক ৱার্ল্ড চেম্পিওন ওইখ্রবী মেরি কোমনা হায়– নখোয় নুপী অমা ওইবা মরমগীদমক কনামত্তনা নখোয়বু শেল্লি হায়না নঙোন্দা হায়হনগনু।

নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী মালালা য়ৌসফজাইনা হায়– ঐখোয়গী চিন মেনশিনবা মতমদা ঐখোয়গী খোল্লাও অদুগী মরুওইবদু ঐখোয়না খঙই।

এক্ট্রেস ইম্মা ৱাটসননা হায়– ফেমিনিজম হায়বসি নুপীশিংদা অপান্বা অমা খন্নবগী খুদোঙচবা পীবা অদুগী মতাংদনি। ফেমিনিজম হায়রিবা অসি অতোপ্পা নুপীশিংবু ফুনবগী চৈ অমা নৎতে, মসি ফ্রীদমগী, লিবরেসনগী অমসুং ইক্কেলিটিগী মতাংনি।

যু এস সিঙ্গর– সোংরাইটর জোন লিজেন্দনা হায়, নুপীশিং শক্তি লৈহল্লবা মতমদা ঐখোয় হেন্না ফৈ, হেন্না ফবা খুন্নাই অমগী লম্বীদা মদুনা পুশিল্লি।

যু এসকী হান্নগী ফার্ষ্ট লেদি অমসুং উকিল মিচেলে ওবামানা হায়, লৈবাক অমত্তনা মখোয়গী নুপীশিংগী শক্তি নমথদুনা থল্লবদি কৈদৌঙৈদা অশেংবা চাওখৎপা ফংবা ঙম্রোই। মদু মখোয়গী সিটিজেনশিংগী থঙ্খাই অমগী কন্ট্রিব্যুসনশিং অদু মশামক্লা মাঙহনজরবনি।

মেরিল ষ্ট্রীপ, এক্ট্রেসনা হায়– মখোয় মশামক মপুং ফানা মহৈ য়াল্লবা অমসুং মশানা মশাবু থাজনা লেল্লিবা লোয়ননা মলেমদা মঙান পুরকখিবা মীওইশিং অদু নুপীশিংগীদমক খ্বাইদগী ফবা রোল মোদেলশিংনি হায়না ঐহাক্না খল্লি।

পেপ্সিকোগী হান্নগী সি ই ও ইন্দ্র নূয়িনা হায়, মায় পাকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা মচাক অমদি মহাক মশামক ওইগদবনি। নহাকপু শেন্নক্লিবা, ওইহল্লক্লিবা অদু কৈদৌঙৈদা লোৎশিল্লোইদবনি।

পোইট অমসুং এক্টিভিষ্ট মায়া এঞ্জেলৌ হায়, নুপী অমনা মহাক মশাগীদমক হেক লেপখৎলকপা খুদিংমক নুপী পূন্নমক্কীদমক মহাক্না লেপ্লবনি।

অইবী অরুনধতি রোয়না হায়– 'খোঞ্জেলয়াওদবা' হায়বা অসিগুম্বা পোৎ অমা তশেংনমক লৈতে। অতক্না মচিন মেন্দুনা থম্বা অদুখক নৎত্রগা মপুং ফানা করিগুম্বা অমত্তা তাবিদবা অসিখক্তনি লৈরিবসি।

# মসি দ্রিল অমা নৎতেঃ কোরোনভাইরস হকচিন্না লৌনবা লৈবাকশিংদা 'হু'না খঙহনখ্রে



*বৈজিং, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস লাইচৎশিংনা য়ুরোপকী লৈবাক পূন্নমক্তা অমসুং হোস্পিটালগী থৌরাং তৌবা ৱাৎপগী মতাংদা মেদিকেল ৱার্করশিংনা ৱার্নিংশিং তৌরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা শন্দোরকখিবগা কোরোনাভাইরস ৱাথোকপু মতিক চানা হকচিন্না লৌদে হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওফিসিয়েলশিংনা লৈবাকশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

হৌজিক মালেমগী লৈবাক ৮৫ রোমদা চাওরাক্লা মীওই লাক্ষ ১ রোম লৌনরকখ্রবা অমসুং অনাবা মীওই ৩৩০০ হেন্না শিখ্রবা লায়না অমগী শন্দোরকপা থিংনবা অকনবা খোঙথাং কয়া লৈবাক খরনা লৌখৎনরকখ্রবসু লৈবাক খরনদি মতিকচানা হকচিন্না লৌফম থোকপা অদু তৌদে।

ইটালি, ফ্রান্স, গ্রীস অমসুং ইরানদা কোভিদ–১৯ লাইচৎ নাবা মীগী মশীং হেনগৎলকখ্রে। জাপানগী দাইমন্দ প্রিন্সেস কৌবা লকজরি লাইনর অমগী পেসেঞ্জরশিংগী মনুংদা পেসেঞ্জর চা কয়া কোরোনাভাইরস নারকখিবগী কিনিংঙাই ওইবা থৌদোক অমা নিংশিংহন্দুনা হৌজিক কালিফোর্নিয়াগী সমুদ্র তোর্ব্বান মনাক্তা ক্রুজ জহাজ অমা ফাদুনা থল্লি অমসুং মদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জরশিং লায়না অদুগী লাইওংশিং লৈব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌগদৌরি।

কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসিনা ইন্টরনেসনেল ব্যুজিনেস, টুরিজম, স্পোর্টস ইভেন্টশিংদা অচৌবা চৈফু নংহনখ্রে অমসুং মালেমগী ওইনা মহৈরোই মিল্লিয়ন ৩০০ রোম ছুতি থাদোকখিবগা লোয়ননা স্কুলশিংনসু খ্বাইদগী হেন্না চাওনা শোকহনখ্রে।

২০১৯গী দিসেম্বরদা কোভিদ–১৯ থোক্লকখিবা চিনাদা হৌজিকসু লায়না অসিনা নাবা অমসুং শিবগী অয়াম্বা থৌদোক থোক্লি। অদুবু সাউথ কোরিয়া, ইরান অমসুং ইটালিনা লায়চৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকপা অমসুং শিবা মফম ওইদুনা মসি মপান লৈবাক্তানা হেন্না থুনা শন্দোকপা হেনগৎলক্লি।

ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (হু)না ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা মশীং য়াম্লবা লৈবাকশিংনা ঐখোয়না হৌজিক মায়োক্লরিবা থাক অসিগা চান্নগা তৌগদবা পোলিটিকেলগী ফীরেপ অদু উৎতে হায়না ৱার্নিং তৌখি। মসি দ্রিল অমা নৎতে, লাইচৎ অসি ইনাকখুনবা অমসুং লাইরবা লৈবাক খুদিংমক্তা অকিবা অমনি হায়না পাউমীশিংদা 'হু' চীফ টেদ্রোজ অধানোম ঘেব্রিয়েসসনা হায়খি।

ঙসি ইরাই নুমিৎতা চিনাদা লাইচৎ অসিদগী মীওই ৩০ অমগসু নৌনা শিখ্রে। মসি থারগা লৈবাক অসিদা পুন্না অনাবা ৩০৪২ শিখ্রে হায়না চিনাগী নেসনেল হেল্‌ঠ কমিসননা ফোঙদোকখ্রে। মেনলেন্দ চিনাদা মীওই ৮০৫০০ হেন্না লাইচৎ অসিনা নাখ্রে।

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা চিনাগী মপান্দা য়াম্না থুনা শন্দোকখিদুনা লৈবাক কয়াদা মসিনা নাবা অমসুং শিবগী মশীং হেনগৎখ্রে। পনবা য়াবদা লায়চৎ অসিনা নাবদগী ইরানদা মখোয়গী সিরিয়াদা থাবা হান্নগী এনভোয় অদু য়াওনা পুন্না ১০৭ শিখ্রে। ইটালিদসু অনাবা ১৪৮ শিখ্রে। যু এসতা শিবা ১২ য়ৌখ্রে অমসুং সাউথ কোরিয়াদা ৩৬ শিখ্রে।

# কাবুল এটেকতা য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ শিখ্রে



*কাবুল, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা অফগানিষ্টানগী টালিবানগগী মরক্তা লৈবাক অসিদগী যু এস লান্মীশিং লৌথোকখিনবগী য়ানবা অমা পুরকখিবা মতুংদগী লৈবাক অসিগী কোনুংদা অহানবা অচৌবা এটেক অমদা খূৎলাই পায়বশিংনা কাবুলদা মকোক থোংবা লুচিংবা অমগী মীফম অমদা ঙসি ইরাই নুমিৎতা এটেক চথরক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ হাৎখ্রে অমসুং ৫৫ রোম শোকখ্রে হায়না অফগান মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী চাওবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ ওইরিবা টালিবাননা এটেক অদুদা মখোয় য়াওদে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মকোক থোংবা অফগান পোলিটিকেল লিদর অবদুল্লাহ অবদুল্লাহদি অশোক অমন থোক্তনা নাম্থোকহৌখি।

এটেক অদু মফম অদুদা রোকেট অমা তারকখিবগুন্না অচৌবা মখোল অমগা লোয়ননা হৌরকখি। অবদুল্লাহ অমসুং অতৈ পোলিটিসিয়ান খরদি এটেক অদুদগী শেক্তনা নাম্থোকহৌখি হায়না অবদুল্লাহগী ৱাঙাংলোই ফ্রাইদুন ক্বাজুননা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

নেটোগী লিখুল অমনা ফোঙদোকপদা শিবগী অপুনবা মশীং অদু খরা হেন্না, ৩০ হেন্না শিখি, ৪২ শোকখি অমসুং অশোকপশিং অদুগী মনুংদা ২০ অরুবা ফিভমদা লৈ হায়খি।

অফগান প্রিসিদেন্ট অশ্রফ ঘনিনা এটেক অদু মীওইবা জাতিগী মায়োক্তা অমসুং অফগানিষ্টানগী নেসনেল যুনিটিগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম অমনি হায়না ত্বইট তৌখি।

এটেক অদুদগী নাম্থোকহৌখিবা অবদুল্লাহ অফগান প্রিসিদেন্ট মীখল ৩দা মীরেপ ওইখিবনি। মীখল অহুম্মক অদুগী ফল মহাক্না য়েৎখি। ২০১৪দগী হৌনা কোলিসন গভর্ণমেন্ট অমদা মহাক্না চীফ একজিক্যুটিব ওইনা থবক তৌরকখি অমসুং হান্নগী ফোরেন মিনিষ্টর অমসুনি।

প্রসিদেন্ট ঘনিনা মহাক্কী মতম শাংনদগী পোলিটিকেলগী লম্বা ওইরকখিবা অবদুল্লাহদা টেলিফোন তৌখ্রে হায়খি।

সেপ্টেম্বর থাগী প্রসিদেন্ট মীখলদা অশ্রফ ঘনিবু মায় পাক্লে হায়না লাওথোকখিবা ইলেক্সন কমিসনগী হৌখিবা থাগী ৱারোল অদুবু অবদুল্লাহনা য়ানিংদবা ফোদোক্তুনা য়েৎলিবনি।

এটেক মফম অদুদগী ইরাপ লাপ্তনা লৈবা হোস্পিটাল অমগী মোর্গতা মরি–মতা ময়াম্না পুল্লখ্রে। মখোয়গী নুংশিরবা মীওইশিং মশক তাক্লবা ঙাইদুনা লৈবদুদা মখোয় কপ–লাওদুনা ৱান্থনবা ফাওবা য়াওখ্রে।

# অঙাং খৎনবদা মমা–মপা থীনা শোক্লখ্রে

*অমরোহ, মার্চ ০৬(এজেন্সি)ঃ*

উত্তর প্রদেশকী অমরোহা দিষ্ট্রিক্টতা তোঙান–তোঙানবা ইমুং অনীগী অঙাংশিং খৎনবগী থৌদোক অমদা অঙাং অমগী মপা অদুনা নুপী অমগী খুদোম্বী চিকথৎতুনা অমসুং নুপীদুগী মপুরোইবা অদুগী মমিৎসু মচিন তুম্বা খূৎলাই অমনা থিনবদগী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরকখ্রে।

ইমুং অনী অদুগী অঙাংশিং অদু যুমশকৈশা নুমিৎতা খৎনরকখিবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মখোয়গী মমা–মপাশিং অদুনা মচাশিং খৎনরিবদুদা য়াওশিল্লকখি অমসুং মমা–মপাশিংদুগী অমনা অতোপ্পা মমা–মপা– বিজেন্দ্র অমসুং অনীতাদা তাথিনা তৌবা হৌখি হায়না পুলিস ওফিসার রবিন্দ্র সিংহনা হায়খি।

নাকপাক অনী মরৈ য়েৎনরকখিবদা অঙাং অমগী মপা অদুনা অতোপ্পা নুপী অদুগী খুদোম্বী অদু চিকথৎখি অমসুং মদুদা নত্তনা নুপীদুগী মপুরোইবগী মমিৎ অদুদসু অথৌবা চৈ অমনা থিনখি।

ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখ্রে অমসুং হিরম অদু থিজিনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুংদগী চেন্নরিবা মীওই অদু থিবা খঙখিদ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি। অশোকপশিং অদু কয়ামথীনা শোকপগে হায়বদু খঙনবা মেদিকেল একজামিনেসন অমগীদমক থাখ্রে।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-398**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 8 | | | | 9 | | 1 |
| 2 | 6 | 3 | | | 5 | | | |
| 9 | 1 | 5 | | | 7 | | | |
| 1 | | | 7 | 2 | | | 9 | |
| | 5 | | | | 9 | | | 7 |
| 7 | | | 1 | | | | 2 | 6 |
| | | 9 | | 7 | | | 6 | |
| 5 | | | | 3 | | 7 | | |
| | | | 2 | 9 | | 1 | | |

**সনা–সুদোকু – ৩৯৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 1 | 2 | 5 | 7 | 8 | 9 | 6 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 8 | 1 | 3 | 2 | 4 |
| 2 | 8 | 9 | 3 | 6 | 4 | 7 | 5 | 1 |
| 1 | 6 | 8 | 5 | 4 | 3 | 9 | 7 | 2 |
| 9 | 2 | 4 | 1 | 7 | 8 | 5 | 6 | 3 |
| 5 | 7 | 3 | 6 | 9 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 8 | 9 | 5 | 4 | 3 | 6 | 2 | 1 | 7 |
| 3 | 1 | 6 | 7 | 2 | 5 | 4 | 8 | 9 |
| 7 | 4 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 3 | 5 |

## GAS TODAY

**Mahalaxmi Indane**
Booking : 01/02/20
Valid : 22/01/20
Sl. No. : 283861
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Patsoi Indane Service**
Booking : 27/12/19
Valid : 16/12/19
Sl. No. : 47
Stk : 306
Time : 08.30 to 10.30 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 12/12/19
Valid : 06/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Haran Valley, Kwakta**
Booking : 25/12/19
Valid :21/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R B D Indane Service**
Booking : 04/01/20
Valid : 24/12/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**T D K Gas Sekmai**
Booking : 06/01/20
Valid : 29/12/19
Stk : 612
Time : 08.300 to 11.00a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 04/02/20
Valid : 18/01/20
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**J Rongmei Indane**
Booking : 25/11/19
Valid : 22/11/19
Stk. : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 29/01/20
Valid : 24/01/20
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 10/12/19
Valid : 27/11/19
Stk : 870 / 19kg-100
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 09/01/20
Valid :23/12/19
Sl. No. : 58123
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 04/01/20
Sl. No. : 9921
Valid : 30/12/19
Sl. No. : 0850
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M. M. Gas Service**
Booking : 06/01/20
Valid : 23/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
Rate :Rs. 931.40

**K & K Indane**
Booking : 18/01/20
Valid : 12/01/20
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First come First Serve

**Heirok Indane**
Booking : 03/02/20
Valid : 23/01/20
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Sawombung Indane**
Booking : 06/01/20
Valid : 22/12/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 27/01/20
Valid : 10/01/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 10/02/20
Valid : 03/02/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 16/01/20
Valid : 07/01/20
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 23/12/19
Valid : 16/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.